# ৱাই দল্লীয়ু সি লংথবালনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে



অতৈ বেটমেনশিংনা রন য়াম্না লৌবা ঙমখিদবদগী টিম অদুগী অপুনবা স্কোর ১২৭ লৌখি।

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৭শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দল্লীয়ু সি লংথবালনা দি এস য়ু ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অসিগী টোস দি এস য়ু ক্বাকৈথেলনা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। দি এস য়ুগী মায়কৈদগী রন য়াম্না লৌবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গ্যানেশ্বরনা বোল ২৭তা রন ৩৩, মনিকুমারনা বো ৩৭তা রন ২৪ অমসুং চীংতম্না বোল ৩৫দা রন ২১ লৌবা অদু পনবা য়াই।

অহানবা ইনিংসতা বোল্লিং তৌখিবা ৱাই দল্লীয়ু সিগী মায়কৈদগী গোজেন, সমানন্দ, প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ২/২ লৌখি।

মেচ মায় পাক্লনবা ৱাই দল্লীয়ু সিনা রন ১২৭গী টার্গেট লৈখিবা অদুগী ইনিংসকী ওভর ২০গা বোল ১দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১২৮ লৌদুনা ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখি। মেচ অসিগী স্কোর তৌখিবশিংদা কুমারজিৎনা বোল ৩৭তা রন ৫৩ লৌখি, সমানন্দনা বোল ৯দা রন ১৮ অদুগা গোজেন্দ্রোনা বোল ২৬তা রন ১৬ লৌখি।

দি এস য়ুগী মায়কৈদগী তোম্বা, মনিকুমার, মাইসননা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা ৱাই দল্লীয়ু সিগী কুমারজিৎনা তাখি।

# হেন্না মপুং ফানবা মীয়াম্না মতেং পাম্মী ঃ সুনন্তা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এসোসিএসননা শীন্দুনা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৫৮ শুবা মিষ্টর মণিপুর কনটেষ্ট অসি হেন্না মপুং ফাবা ওইনবগীদমক মীয়ামগী মতেং নিরি হায়না জেনরেল সেক্রেটরী ৱাই সুনন্তনা ফোঙদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা পুন্না শেলগী মনা ওইনা লুপা লাখ ৭.৫ কেটগোরি ৭তা পীগদৌরি। শেলগী মনা খক্তা নত্তনা মকোক মথং তাখ্রবা বোদি বিল্ডিরশিংদা সার্টিফিকেট, মেদল, ট্রোফি, ফুদ সপ্লিমেন্ট অমসুং গিফট হেম্পরশিং পীগদৌরি। লোয়ননা শরুক য়ারকপা বোদি বিল্ডিরশিংদা টি-সাট অমদি সার্টিফিকেট পীগদৌরি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা পুন্না শাফবা ১৫৮না সিনিয়র, জুনিয়র, মাষ্টর, ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ, ৱিমেন বোদি বিল্ডিং, মেন্স এন্দ ৱিমেন স্পোর্টস ফিজিকসু য়াওগদেরি।

# শুটরশিংদা ট্রেকসুট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): ভোপলদা ঙসিদগী হৌদুনা মথং চহীগী জনুৱারি ৪ফাওবা চথুগদবা ৬৩ শুবা এন এস সি সি ভোপালদা শরুক য়াননবগীদমক মণিপুর রাইফল এসোসিএসননা খনগৎলবা মণিপুর টিমগী শুটর অমসুং ওফিসলশিংদা ঐচ ভি এস কনষ্ট্রক্সন মেটরিএল প্রাইভেট মেটরিএলগী প্রোপাইটর হুইদ্রোম বিক্রমজিৎনা স্পোন্সর তৌদুনা ট্রেকস্যুটশিং য়েন্থোকখ্রে।

মণিপুর টিম অসিদা য়াওরিবা শুটরশিং অদুদি কে আসিস শর্ম্মা, নাওরেম খন্দাজিৎ, উসম খৃষ্টোফর, অরিবম প্রভিন শর্ম্মা, কুনিসন তোনাম্বম, কে প্রেম, আর কে মমতা, তি হেরোজিৎ মৈতৈ, আর কে সনাহল, অরিয়ামন লাইরেনজম, খাগেম্বা লৌক্রাকপম, ফ্রেন্সি কে এস ঐচ, সিলভিয়া লৌক্রাকপম, এ গৌতম মৈতৈ, ষ্টেসি লৈতান্থেম, মাইবম প্রিতমজিৎ অমসুং য়াইফবি তেলেমনি। অদুগা ওফিসলশিং অদুনা টিম মেনেজের কম কোচ ওইনা এল কুল্লাবন্ত, এসিষ্টেন্ট রাইফল মেনেজর ওইনা এল সুরঞ্জন অমসুং এসিষ্টেন পিষ্টোল মেনেজর ওইনা এল ওলেন মৈতৈনি হায়রি।

# ক্রিপসা অমদি এ এম এম এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অনীনা খুৎশম্নদুনা চথুখিবা য়ু-১৭ খেলো ইন্দিয়া ৱিমেন্স লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ক্রিপসা অমসুং এ এম এম এ মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ক্রিপসা অমসুং দল্লীয়ু এফ এ লম্বা তৌখি। মেচ অসি ক্রিপসানা দল্লীয়ু এফ এবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ক্রিপসাগী মায়কৈদগী এল বিবিচা, আই রুমিনা বেগম অমদি এল বেবিদোলনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা পুন্না টিম অদুবু মায় পাকহনবা ঙমখি। দল্লীয়ু এফ এগী মায়কৈদগী য়ু লক্ষ্মি অমদি রোসি থাঙ্গনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অমরোমদা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা মেচতা এ এম এম এ অমসুং পি এল এল লম্বা তৌনখি। মেচ অসি এ এম এম এনা পি এল এলবু য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৫-০দা থোইখি।

# ৩২শুবা ষ্টেট টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো এসোসিএসননা শীন্দুনা ৩২শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদগী হৌদুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী দিপ্যুতি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রো, য়াইস্কুল এ সিগী এম এল এ টি ঐচ সত্যাবত্রা অমসুং ওল মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বোবি ৱাইখোমনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লান্থোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ট্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Deputy Manager | Graduate / Master (Computer Know) | 2 | Negotiable | 30-45 | H.Q |
| 2 | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | 2 Each | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Moirang |
| 3. | Mechanic/Painting Mistry(2/W,3/W& 4/W) | 3-7yrs Exp. | 3+2 | Rs.8,000 to Rs.22,000 p/m | 20-40 | H.Q |
| 4. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | Rs.6,500 to Rs.18,500 p/m | 18-25 | H.Q |
| 5. | Tyres Workshop Mistry | 3 to 5 yrs. Exp. | 8 | Rs. 6,500 to Rs.18,500 p/m | 20-35 | H.Q/Branches |
| 6. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Iron Soldering Mistry | 3 to 5 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.22,000 p/m | 22-45 | H.Q/Branches |
| 8. | Brick Mistry | 5 to 10 yrs. experience | 3 | Rs. 9,000 to Rs.23,000 p/m | 25-45 | H.Q/Branches |
| 9 | Driver (Car/Tata) Unmarried | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 20-35 | H.Q |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 30th Nov.,2019.

**L.G.MOTORS (H.Q)**, KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Pleased Contact: 8787727402

HL-B/579/2nov. to 30 dec.

HL-P/5445/7/13







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com